# ‘পি এমনা কম্মান্দর, মীয়ান্না খোঙ লান্মীনি’ পি চিদম্বরমনা লোকদাউন শৌগৎখ্রে



***ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৪(এজেন্সি)ঃ***

কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা চংশিল্লিবা লানদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাওথোক্লিবা মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা লৈবাক শিনবা থুংবা লোকদাউন অসিবু য়ান্না মরুওইবা মীৎকুপ অমনি হায়রদুনা হান্নগী য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেস লুচিংবা পি চিদম্বরমনা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টরবু লান অসিগী কম্মান্দরনি অমসুং মীয়াম অসিনা খোঙ লান্মীশিংনি হায়খ্রে।

লোকদাউন অসি চখবদা মীয়ান্না মতেং ওইনবা পোইন্ট ১০গী রেস্পেন্স প্লান অমা পুথোক্লদুনা মিষ্টর চিদম্বরমনা লাইরবশিং অমসুং শোথরবশিংগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা সেন ট্রান্সফর তৌনবা অমসুং এপ্রিল ১দগী এসেন্সিয়েল গুদস এন্দ সার্ভিসেস পূন্নমক্কী মথক্তা লৌবা টেক্সশিং থা ৩গী ককথৎনবা চিদম্বরমনা আপিল তৌখি।

মার্চ ২৪গী মমাঙদা তৌরম্বা দিবেটশিং অদু ঐখোয়না হৌজিক ঐখোয়গী তুংদা থম্লম্লগদবনি, কাউথোক্লরগদবনি অমসুং মীয়ান্না খোঙ লান্মীশিং ওইবা অদুগা প্রাইম মিনিষ্টরনা কম্মান্দর ওইবা অনৌবা লান অমা হৌরদুনা লৈবাক শিনবথুংবা লোকদাউন অসিদা মীৎয়েং থম্লগদবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা নাবগী মশীং হেনগৎলক্লিবা অমসুং শিবগী মশীংসু হেনগৎলক্লিবা গ্লোবেল কোরোনাভাইরস পান্দেমিক শন্দোকপা থিংনবা হোৎনবা অমসুং থিংনবা নুমিৎ ২১নিগী লৈবাকশিনবা থুংবা মপুং ফাবা লোকদাউন অমা ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লাওথোকখিবনি।

মিষ্টর চিদম্বরমনা পি এম –কিষান স্কিমগী মখাদা লৌমীশিংদা পীবা শেনফম অদু মদুগী মখাদা টেনান্ট ফার্মরশিংসু য়াওহল্লগা শরুক ২ হেনগৎহন্দুনা লুপা ১২,০০০ পীনবসু আপিল তৌখি। রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট প্রোগ্রাম এম জি এন আর ই জি এগী মখাদা রেজিষ্টার তৌরবা ৱার্করশিংগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদসু লুপা ৩,০০০ ট্রান্সফর তৌনবা ৱাফমসু মহাক্না হৌদোকখি।

লাক্লিবা মথঙ নুমিৎ ২১নিদা রেসন কার্দ পায়বা মীওই খুদিংমক্তা ৱান–টাইম অমা ওইনা চেঙ নৎত্রগা গেহু কেজি ১০ লেন্না পীবা অদুতনত্তনা সহরগী লাইরবা মীওইশিংগীদমক মখোয়গী জন ধন একাউন্টশিংদা লুপা ৬,০০০ ট্রান্সফর তৌনবসু হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অসিনা দিমান্দ তৌখি।

রেজিষ্টার ইমপ্লোয়র পূন্নমক্তা হান্নগী লৈরিবা ইমপ্লোয়মেন্ট অমসুং ৱেজশিংগী চাং অদুদা কায়হন্দনা থম্নবসু হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা আপিল তৌখি।

মিষ্টর চিদম্বরমনা ৱার্দ নৎত্রগা ব্লোক খুদিংমক্তা রেজিষ্টার অমা হাংদোক্লবা অমসুং হায়রিবা কেটিগোরিশিং অদুগী মখাদা শেনফম ফংদবা মীওইশিং লাক্তুনা রেজিষ্টারগী লিষ্টতা হাপচিন্নবা আপিল তৌখি।

শেন ফংদবা মীওইশিং অদুগী মতাংদা চুন্নগী ইচম–চম্বা ভেরিফিকেসন অমখক্তং তৌরগা বেঙ্ক একাউন্ট অমমম হাংদোক্লগা মদু আধারগা লিঙ্ক তৌনহল্লগা হায়রিবা বেঙ্ক একাউন্ট খুদিংমক্তা লুপা ৩,০০০ ট্রান্সফর তৌনবা মহাক্না হায়খি।

# কোভিদ–১৯ লাইচৎতা ৩,৪৩৪ শিদুনা স্পেনদনা চিনাদগী হেন্না শিখ্রে

***মাদ্রিদ, মার্চ ২৫(এজেন্সি)ঃ***

হৌখিবা পুং ২৪দা মীওই ৭৩৮ শিদুনা স্পেনদা কোরোনাভাইরস লাইচৎতগী শিবগী অপুনবা মশীং ৩,৪৩৪ য়ৌদুনা চিনাদগী ফাওবা হেনখ্রে।

মালেমগী ওইনা স্পেনদা শিরিবা মশীং অদুদগী হেন্না শিরিবা অসি ইটালি খক্তা ঙাইরে। হৌখিবা চহীগী অথেঙবদা ভাইরস অসি হৌরকখিবা চিনাদা মীওই ৩,২৮১ শিখি। ইটালিদা হৌজিক ফাওবদা ৬,৮২৮ শিখ্রে।



মার্চ ১৪দগী হৌখিবা অদুবু এপ্রিল ১১ ফাওবা শাংদোকখ্রবা নেসনেল লোকদাউন অদু তৌখ্রবা ফাওবদা কোভিদ–১৯দগী শিবা অমসুং নাবগী মশীং মখা তানা হেনগৎলক্লি। লাক্লিবা চয়োল অসিনা অমুক্কা হেন্না মরুওইনা ফৎতবা ওইরবা যাই হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

অনাবা মশীং য়ান্না হেনগৎলকখিবদগী হোস্পিটালশিং পোকখায়বগী ফিভমদা লৈখ্রে। লান্মী ট্রুপশিংনা মাদ্রিদকী পাকচাওরবা আই এফ ই এম এ একজিবিসন সেন্টরদা ফমুং ১৫০০ লৈবা চাওরবা ফিল হোস্পিটাল অমা লিংখৎখ্রে। মদু মখা তানা স্পেন্দদা খ্বাইদগী চাওবা হোস্পিটাল ওইনা মীওই ৫,৫০০ ফাওবা লায়েংনবগী থাক্তা চাওথোকহল্লগনি।

হৌজিক সিটি অসিগী অশিবশিং লৈরোন চন্নবগী থবকশিং মশীং য়ামনখিবদগী ওফিসিয়েলশিংনা মতম খরগী ওইবা মোর্গ অমা ওইনা শিজিন্ননবা পেলেসিও দে হৈলো আইস স্কেটিং রিঙ্ক অদু শিজিন্নহনখ্রে।

# পার্সোন্নেল ৫,০০০ তোংলিবা নেভি জহাজদা য়ু এস সেলর ৩ কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইখ্রে



***ৱাসিংটন, মার্চ ২৫(এজেন্সি)ঃ***

হৌজিক–হৌজিক দিপ্লোয়মেন্টতা লৈরিবা য়ু এস নেভিগী জহাজ অমগী মথক্তা কোরোনাভাইরস নাবগী অহানবগী থৌদোক ওইনা এয়ারক্রাফ কেরিয়র য়ু এস এস থিওদোর রুজবেল্টতগী য়ু এস সেলর ৩ নোবেল কোরোনাভাইরস টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইরে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ওফিসিয়েলনা ফোঙদোকখ্রে।

সেলর ৩ অদু পুথোকখ্রে অমসুং পার্সোন্নেল ৫,০০০ হেন্না তোংলিবা জহাজ অদুগী মথক্তা মখোয়গা শন্নরম্বা মীওই পূন্নমক ক্বরিন্টিন তৌখ্রে হায়না পাউমীশিংদা এক্টিং নেভি সেক্রেটরি থোমাস বি মোদলিনা হায়খি।

লানগী প্লেন পুবা জহাজ অদু নুমিৎ ১৫নিগী মমাঙদা ভিয়েটনামগী হিথাংফমদা লৈরমখিবনি, অদুবু অকক্লবা পোর্ট অমদা চৎলুবা খোঙচৎ অমগা লাইচৎ অদু নারক্লিবা অদুগা মরী লৈনব্রা হায়বদু খঙবা ঙমদে হায়না চীফ ওফ নেভেল ওপরেসন্স এদমিরেল মাইক গিলদেনা হায়খি।

সমুদ্র খোঙবানদা চৎখিবা অদুদগী ক্রু অদুনা হল্লকখিবদা ঐখোয়না য়ান্না চাওনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি অমসুং ক্রু অদু অহেনবা মেদিকেল স্ক্রীনিংশিং তৌখি হায়না মহাক্না হায়খি।

য়ু এস নেভিদা হৌজিক ফাওবদা পুন্না কোরোনাভাইরস নাবা মশীং ৮৬ লৈরে। মসিগী মনুংদা এক্টিব দ্যুটি সার্ভিস মেম্বর ৫৭ য়াওরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

য়ু এস মেদিয়ানা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না, হৌজিক সান দিয়েগোগী হিথাংফমদা লৈরিবা এম্ফিবিয়স এসোল্ট সিপ য়ু এস এস বোক্সরনা হৌখিবা চয়োলদা মখোয়গী পার্সোন্নেল অমা কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইরম্বা য়াবগী মওং অমা ফংখ্রে হায়না পাউ পীরকখি।

মরকসিদা কোরোনাভাইরসকী খুদোঙথিরবা ৱাথোক অসি মায়োক্নরিবা অমেরিকান মিল্লিয়ন কয়া অমসুং য়ু এস ইকোনোমিগীদমক সিনেট অমসুং হ্বাইট হাউসনা দোল্লর ট্রিল্লিয়ন ২গী ষ্টিমুলস পেক্কেজ অমগী মতাংদা দিল অমা য়ানখ্রে হায়না ঙসি য়ুমশকৈশাগী অঙনবদা মকোক থোংবা রিপব্লিকান লোমেকর অদুনা ফোঙদোকখ্রে।

মমৈথংদা ঐখোয়না দিল অমা তৌনরে হায়না সিনেট মেজোরিটি লিদর মিটচ মেককোনোলনা হায়খি।

# কোরোনাভাইরসকী চেকশিন থৌরাং ওইনা ইন্দিয়ান আর্মি হেদক্বার্টরস থিংজিনখ্রে



***ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৫(এজেন্সি)ঃ***

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্কা কোভিদ–১৯ থেংননবা মপুং ফানা লোকদাউন তৌনবগী তৌখিবা আপিল অদুগী মতুং রাইসিনা হিলদা ইতিহাসিক ওইরবা সাউথ ব্লোকতা লৈরিবা ইন্দিয়ান আর্মি হেদক্বার্টরস ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী থিংজিনখ্রে।

আর্মি হেদক্বার্টর অদু শগোলশেল নুমিৎতগী হৌনা সুপ্নগী চাদা ১৫ রোমতগী মিনিমম ষ্টাফনা থবক তৌরগনি হায়না লিখুলশিংনা হায়রি।

দিপার্টমেন্ট ওফ মিলিটরি এফিয়ারস অদুসু ঙসি থিংজিনখ্রে। কোভিদ–১৯গী মতাংদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ জেনরেল বিপিন রৱাতনা হায়খি, হৌজিক লৈবাক অসি আর্ম ফোর্সশিংনা মখোয়গী মেন্দেটকী ৱাংমদা ওপরেট তৌগদবা অমসুং কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা থেংনবদা লৈবাক অসিবু মতেং পাংগদবা অরুবা তাঙ্ক অমদা লৈরে। মসিগী মমাঙদা ফোর্স অসিনা হেদক্বার্টরনা চাদা ৫০দা হন্থহনখ্রে অমসুং সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎনবা মখোয়গী পার্সোন্নেলগী গাইদলাইন্স থোকখ্রে।

ইন্দিয়ান আর্মি চীফনা কোভিদ–১৯ শন্দোকপা থিংনবা থবকশিংদা হকথেংননা য়াওবা ইমর্জেন্সি সার্ভিসশিংগী পার্সোন্নেলশিং য়াওদনা মার্চ ২৩, ২০২০দগী ওফিসিশিংদা এটেন্দেন্স হন্থহনখ্রে।

ইন্দিয়ান আর্মিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী মখোয়গী কান্টিন ষ্টোরশিং থিংজিনখ্রে অমসুং গ্রোসরি অমসুং এসেন্সিয়েল আইটেমশিং হোম দিলিভরি তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা লেপলকপা অহেনবা দিষ্ট্রিক্টশিং, লোকদাউনগী মতম শাংদোকপনচিংবা পূন্নমক চপ চানা আর্মিনা পাংথোক্কনি হায়না গাইদলাইন্স অদুনা হায়রি।

# লুপা ক্রোর ১গী মাস্ক লাক্ষ ৪ ফারে

***মুম্বাই, মার্চ ২৫(এজেন্সি)ঃ***

মুম্বাইগী ভিলে পরলেগী পুলিসনা প্রাইভেট ৱয়ারহাউস অমদা থিবা –হুম্বা চখবদা চপচানা লুপা ক্রোর ১গী ওইগদবা মাস্ক লাক্ষ ৪ ফারে হায়না ঙসি ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে। মসি নুমিৎ নীনিদা পুলিস ষ্টেসন অদুগী ২শুবা ওপরেসননি।

সাহার এয়ারপোর্ট মনাক্তা লৈবা কার্গো কমপ্লেক্স ৱায়ারহাউস অদুগী মনাক্তা প্লাই ৩গী ফেস মাস্ক য়ান্না আইনগী ৱাংমদা পৈশিন্দুনা থম্লে হায়বা পাউ অমা ইনস্পেক্টর রাজেন্দর কানেনা ফংখিবনি।

দিপুটি কমিস্নার ওফ পুলিস (৮) মঞ্জুনাথ সিংগেগী পাউতাক মখাদা লিংখৎপা টিম অমনা ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টকী মনাক্কী সাহা ৱায়ারহাউসশিং এন্দ ট্রান্সপোর্ট গোদাউন অদু রেইদ চখখি অমসুং মাস্কশিং অদু ফাখিবনি।

# ইরানদগী পুথোক্লকখিবা ইন্দিয়ান ২৭৭ যোধপুর আর্মি ফেসিলিটিদা থমখ্রে



***যোধপুর, মার্চ ২৫(এজেন্সি)ঃ***

কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লবা ইরানগী কোনুং টেহরানদগী পুথোক্লকখিবা ইন্দিয়ান ২৭৭ অদু ঙসি যোধপুরদা লৈবা আর্মি ৱেলনেস ফেসিলিটিদা পুরক্তুনা থমখ্রে।

পুথোক্লকখিবা নুপা ১২৮ অমসুং নুপী ১৪৯ অদু য়ুমশকৈশাগী অয়ুক্তা স্পিসিয়েল মহান এয়ার ফ্লাইটতা দিল্লিদা থুংলখি অমসুং মদুগী মতুংদা মখোয়বু যোধপুরদা পুখি। সিটি অসিদা থুংলবা তুংদা পেসেঞ্জর পূন্নমক অদু প্রিলিমিনরি স্ক্রীনিং অমা চখখি অমসুং কোন্না যোধপুর মিলিটরি ষ্টেসনদা লিংখৎপা আর্মি ৱেলনেস ফেসিলিটি অদুদা পুরকখি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা, পি আর ও দিফেন্স রাজস্থান সোমবিদ ঘোসনা হায়খি, রাজস্থান ষ্টেট মেদিকেল ওথোরিটিজ অমসুং সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসন, যোধপুরগা খন্নরগা আর্মিনা নুংঙাইনা লৈনবা অমসুং প্রোফাইলেক্টিক মেদিকেল সপোর্ট পীনবা মতিকচাবা মেদিকেল অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিব এরেঞ্জমেন্টশিং তৌখি।

পুথোক্লক্লিবা মীওইশিং অদুনা মফম অসিদা লৈরিঙৈগী মনুংদা মখোয়গী হকচাংগী ফিভম লেপ্তুনা মোনিটর তৌগদবা আর্মি ডোক্টরশিংগী দেদিকেটেদ টিম অমা ফেসিলিটি অসিদা লৈ।

অনাবা ৬৩,০০০ হেন্না লৈবগা লোয়ননা মীওই ৬,০০০ হেন্না শিখ্রবা, কোরোনাভাইরসনা খ্বাইদগী থিনা শোকপা লৈবাকশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা ইরানদগী ইন্দিয়ানশিং অদু লৌথোক্লুবনি।

# সফলগী আউটলেট পূন্নমক মপুং ফানা থবক চখগনি




***ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৫(এজেন্সি)ঃ***

মাদর দাইরি গ্রুপকী মহৈমরোং অমসুং মনামশীংগী ব্রান্দ সফলনা কোরোনাভাইরস লাইচৎকী মতাংদগী নুমিৎ ২১নিগী লৈবাক শিনবা থুংবা লোকদাউন অসিগী মনুংদসু মখোয়গী আউটলেট পূন্নমক ফুল কেপাসিটিদা থবক তৌগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

সফল ষ্টোরসনা মখোয়গী ওফিসিয়েল ত্বিটর হেন্দলদা ঐখোয়গী ষ্টোরশিংগী ওফিসিয়েল টাইমিং, অয়ুক পুং ৬তগী নুংতিল পুং২ অমসুং নুংথিল পুং ২দগী নুমিদাং পুং ১০ ফাওবা ফুল কেপাসিটিদা থবক তৌগনি হায়রি।

# কোভিদ–১৯ থেংননবা বেঙ্গল ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্টনা লকজরি বঙ্গলো ৩০ পুথোকখ্রে



***কোলকটা, মার্চ ২৫(এজেন্সি)ঃ***

নোবেল কোরোনাভাইরসকী ৱাথোক অসি লাক্লিন্নবগী লান্থেংদা শিজিন্ননবা কোলকটাদা লৈবা ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট হর্শবর্ধন নিওতিয়ানা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা লকজরি বঙ্গলো ৩০ পুথোক্লবা খুৎ লান্থোকখ্রে। মহাক্কী বঙ্গলোশিং অদু সাউথ ২৪ পরগনাজদা লৈবিনি।

মহাক্কী ৱাফম অদু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা য়াখ্রে অমসুং নোংমা নৎত্রগা নীনিগী মনুংদা ফেসিলিটি অদুগী থবক লৌশিন্নবা দাইমন্দ হার্বরগী সব দিভিজনল ওফিসারনা ওথোরিটিজগা খন্নরি হায়না মিষ্টর নিওটিয়ান হায়খি।

হৌজিক ৱাথোক অমা লৈরি অমসুং লৈরিবা ৱথোক অদু লাক্লিনবদা কান্নগদবা ইনফ্রাষ্টকচর অমা ঐখোয়দা লৈ। ঐখোয়না বঙ্গলো ৩০ পীনবা খুৎ লান্থোক্লি। তাঙ্ক অসিদা ঐখোয়না লল্লোন–ইতিকী ওইবা ৱাখল অমত্তা খন্দে ঐখোয়গী নাকন্দগী হেক ওইথোকপা য়াবা অঙম্বা তেংবাং গভর্ণমেন্টতা পীবা পাম্মি হায়না পিটি আইদা মিষ্টর নিওটিয়ানা হায়খি।

মদু শিজিন্নবগী মতাংদা ঐখোয়না করিগুম্বা কন্দিসন অমত্তা থমদে। করম্বা মওংদা শিজিনগদগে হায়বদু গভর্ণমেন্টকী মখুৎতা লৈ। মদু ক্বারেন্টিন নৎত্রগা আইসোলেসন ফেসিলিটি অমা ওইনা নৎত্রগা মেদিকেল ষ্টাফকী রেসিদেন্ট ওইনা শিজিন্নবা য়াই হায়না মহাক্না হায়খি।

কম্পেনি অসিনা মেদিকেল সপোর্ট নৎত্তনা চিঞ্জাক অমসুং হাউস কিপিংগুম্বা অতৈ খুদিংমক পীগনি হায়না মিষ্টর নিওটিয়ানা হায়খি।

কাশিং অমগা–অমগা থংননা লৈবা হোটেলশিংগা চাংদম্নবদা বঙ্গলোশিং অসিনা ক্বারেন্টিন নৎত্রগা আইসোলেসনগীদমক অসিনা হেন্না চান্নগনি হায়না ইন্দষ্টিয়েলিস হর্শবর্ধন নিওটিয়ানা হায়খি।

কোরোনাভাইরসকীদমক শৌগৎপা খুদিংমক কোর্পোরেট সোসিয়েল রেস্পোন্সিবিলিটিগী মখাদা লৈবা ওইনা লৌগনি হায়রদুনা সেন্টরনা নোর্মশিং কোমথোকহনখ্রবনি।

# মে থাখায় ফাওবদা ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসনা মীওই লাক্ষ ১৩ ফাওবা নারবা য়াই ঃ সাইন্টিষ্টশিং



***ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৫(এজেন্সি)ঃ***

ইন্টরনেসনেল সাইন্টিষ্টশিংগী টিম অমগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না কোভিদ–১৯ নাবগী মশীং হেনগৎলক্লিবা হৌজিক্কী খোঙচৎ অসিদা অদুমক মখা চখরবদি মে থাখায় ফাওবদা ইন্দিয়াদা নোবেল কোরোনাভাইরসনা মীওই লাক্ষ ১দগী লাক্ষ ১৩ ফাওবা নারবা য়াবগী খুদোঙথিবা লৈ হায়রি।

রিছার্চরশিংগী ইন্টরদিসিপ্লিনরি টিম অমা ওইরিবা কোভ–ইন্দ–১৯ ষ্টদি গ্রুপনা শেন্বা রিপোর্ট অদুনা হায়, পান্দেমিক অসিগী ঙল্লিঙৈগী তাল্লকতা য়ু এস অমসুং ইটালিগুম্বা অতৈ লৈবাকশিংগা চাংদম্নবদা অনাবা মশীং লাক্লিনবগী থবক্তা ইন্দিয়ানা হেন্না ফজনা তৌবগুম উই।

অদুবু এসেসমেন্ট অসিদা, লৈবাক অসিনা মরুওইরবা মচাক অমা শাথিনা ৱাৎপা লৈ। মদুদি তশেংনা নাবা মশীং কয়ানো হায়বদুনি।

য়ু এসতা লৈবা জোন্স হেপকিন্স য়ুনিভর্সিটিদগী দেবশ্রী রে য়াওরিবা রিছার্চরশিং অদুনা ফোঙদোকপদা মসিগী ফেক্টর অসি টেষ্টিং তৌবগী চাং, টেষ্ট রিজল্টশিংগী চুম্বা চাং অমসুং কোভিদ–১৯দা এক্সপোজ তৌখিরম্বা য়াবা, অদুবু লাইওংশিংদি উৎতবা মীওইশিংগী টেষ্ট তৌবগী চাং অদুগী মখা পোল্লি।

হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াদা টেষ্ট তৌরবা মীগী মশীং য়ামদ্রি। পাক শন্না টেষ্টিং তৌবা য়াওদ্রবদি কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী, ৱাহৈ অমরোমদা হোস্পিটালশিং অমসুং হেল্‌থ কিয়ার ফেসিলিটিশিংগী মপান্দা লাইচৎ অদুনা শোকহল্লম্বা য়াবা অদু কয়ানো হায়বা হোৎপ ঙম্বগী ওইথোক্লিঙাই লৈতে। ঐখোয়গী হৌজিক হোৎলিবা অসিদি অঙনবা তাঙ্ককী দাটাদা য়ুমফম ওইরগা খ্বাইদগী ফজনা হোৎলবশিংনি হায়না সাইন্টিষ্টশিং অদুনা হায়খি।

মখোয়গী এনালাইন্সিস অদুদা সাইন্টিষ্টশিং অদুনা মার্চ ১৬ ফাওবগী ইন্দিয়াদা কোভিদ–১৯না নারে হায়রিবা মশীংগী মতাংদা ফংবা দাটাশিংগী অমসুং দিজজ ট্রান্সমিসনগী টুলস ওফ মোদেল্লিং শিজিন্নখি।

ন্যু দিল্লিগী দিল্লি স্কুল ওফ ইকোনোমিক্স অমসুং য়ু এসকী য়ুনিভর্সিটি ওফ মিচিগানদগী য়াওবা সাইন্টিষ্টশিং অদুনা ইন্দিয়ানা হেন্না কনশিনবা অথিংবশিং অমসুং খোঙথাংশিং লৌখৎপগা লোয়ননা এষ্টিমেটশিং হোংলকপা য়াই হায়খি।

রিছার্চরশিং অসিগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী হেল্‌থকিয়ার সিষ্টেম অসিদা হোস্পিটালদা লাকপা অনাবগী মশীং হান্নগী মহৌশাগী ওইরবা ফাওবদা মতিকচানা লায়েং পীবা ঙমদে হায়রি।

ৱার্ল্ড বেঙ্ক দাটা পল্লদুনা মখোয়না হায়খি, ইন্দিয়াদা মীওই ১,০০০দা হোস্পিটালগী ফমুং মশীং অসি সুপ্নগী ০.৭নি। অদুবু মসি ফ্রান্সতা ৬.৫, সাউথ কোরিয়াদা ১১.৫, চিনাদা ৪.২, ইটালিদা ৩.৪ অমসুং য়ু এসতা ২.৮নি।

মসিনা মরম ওইদুনা অনাবগী মশীংদা হেনগৎলকপা য়াই হায়না পারিবা মশীং অদুমক ওইরবদি হেনগৎলক্লিবা মশীং অদু শৌগৎনবা ইন্দিয়াগী হেল্‌থকিয়ার প্রোভাইদরশিংগীদমক ওইথোক্লিঙাই লৈতবা ফিভম ওইগনি।

রিপোর্ট অসিনা ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী হেন্না অসিগুম্বা লাইচৎ অমনা শোকহনবা য়াবা মীওই গ্রুপশিংসু আইদেন্টিফাইদ তৌখি।

ষ্টদি কয়ামরুমগী ৱাফম পল্লদুনা রিছার্চরশিং অদুনা, কোভিদ–১৯দগী শিনবগী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা হায়পরটেন্সন লৈবা নুপা অমসুং নুপীগী মশীংনা মিল্লিয়ন ৩০০ হেনবগা লোয়ননা ২০১৪গী ওইনা লৈবাক অসিদা ইন্স্যুরেন্স পোলিসি অমা য়াওদবা মীগী মশীং মিল্লিয়ন ১,১০০ রোমনি হায়রি।

লৈবাক অসিদা ইন্টরভেন্সন অমত্তা চপ চানা চৎনহন্দ্রবদি ইন্দিয়ান ১,০০,০০০ খুদিংদা হোস্পিটাল ফমুং ৭০ থুংলবা ইন্দিয়াদা হোস্পিটাল ফমুং মশীংদগী অনাবগী মশীংনা য়ান্না হেল্লগনি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা মাঙজৌননা ফোঙদোক্লক্লি।

কোভিদ–১৯ অনাবশিংগী চাদা ৫–১০ লোমগী অরুবা ফিভমদা নারবশিংনা আই সি য়ু বেদশিং মথৌ তারক্কনি। অদুবু ইন্দিয়াগী হোস্পিটালশিংদা আই সি য়ুগী বেদশিং অসি বেদ কেপাসিটিগী সুপ্নগী চাদা ৫দগী ১০ ফাওবা খক্তনি হায়না মখোয়না চেকশিন্নবা খঙহল্লি।

# মেহাবুবা মুফতি থাদোক্লগনি



***শ্রীনগর, মার্চ ২৫(এজেন্সি)ঃ***

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিবু অকনবা পব্লিক সেফটি এক্ট (সি এস এ)গী মখাদা ফাদুনা থমখিবা থা ৮ লোমগী মতুং ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থাদোক্লবা য়াই।

পাউগী লিখুলশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোকপদা মেহবুবা মুফতিগী মথক্তা থোকখিবা পি এস এ দিটেন্সন ওর্দর অদু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিগী হোম দিপার্টমেন্টনা অমুক লৌথোক্লবা য়াই হায়রি।

ওর্দর অদু রিভোক তৌরবা অমসুং মদুগা মরি লৈনবা ফোর্মেলিটিশিং মপুং ফানা লুচিংলবা তুংদা থাদোক্লগনি হায়না অৱাংবা থাক্কী লিখুল অমনা হায়খি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিবু অতোপ্পা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ২ ফরুক অবদুল্লা অমসুং ওমর অবদুল্লাগা লোয়ননা ২০১৯গী আগষ্ট ৫দগী ফাজিন্দুনা থমখিবনি।

লুচিংবশিং অসিবু ফাদুনা থমজিনখ্রবগী মতুংদা কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ মুখৎখি অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মির ষ্টেটপু য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২ থোক্লা খায়দোকখি।

ফরুক অবদুল্লাবু থা অসিদা হান্না থাদোকখি, মদুগী মতুং মহাক্কী মচানুপা ওমর অবদুল্লাবুসু ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থাদোকখিবনি।

# শ্রীনগরদা মার্চ ২৮দগী রেসন হোম–দিলিভরি তৌরগনি



***শ্রীনগর, মার্চ ২৫(এজেন্সি)ঃ***

শ্রীনগর সিটিগী মীওই লাক্ষ ১২.৫না য়ুমদগী মপা থোক্তনা লৈহন্নবা মার্চ ২৮দগী সিটি অসিগী য়ুমথোঙ ১.৬০ লাক্ষতা থাগী রেসনশিং হোম দিলিভরি তৌবা হৌরগনি।

অচেৎপা সেফটি প্রোটোকোলগী মখাদা দিপার্টমেন্টস ওফ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন, এগ্রিকলচর, পুলিস, মেজিষ্ট্রেট, শ্রীনগর ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অমসুং রোদ ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসননা মার্চ ২৮দগী ইমুং লাক্ষ ১.৬তা য়ুমদা রেসন পীবা হৌরগনি হায়না শ্রীনগর দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রিট সহিদ ইকবাল চৌধরিনা হায়খি।

ৱারেপ অসি শ্রীনগর সিটিদা লৈবা মীওইশিংবু কোভিদ–১৯ ইনফেক্সন চেন থুগাইনবা নুমিৎ ২১ফাওবগী মনুংদা শোয়দনা লৈহন্নবা লৌখিবনি।

মরিলৈনবা তোঙানবা খোঙথাং অমদা শ্রীনগর দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা সিটিজনশিংদা য়ুম মনুংদা লৈনবা অতোপ্পা অকনবা আপিল অমসু তৌখ্রে।

কোভিদ–১৯ পোজিটিব ওইবা মশীং অসি ভাইরস অসি টেষ্ট তৌবদা হৌজিক ফাওবদা তশেংনা পোজিটিব ওইবা মশীংদগী হেল্লম্বা য়াই হায়না দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অদুনা হায়খি।

**সনা–সুদোকু – ৪১৬ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 7 | 2 | 5 | 8 | 6 | 4 | 9 | 1 |
| 8 | 4 | 5 | 1 | 2 | 9 | 3 | 6 | 7 |
| 9 | 6 | 1 | 7 | 4 | 3 | 8 | 5 | 2 |
| 2 | 8 | 4 | 9 | 3 | 5 | 1 | 7 | 6 |
| 7 | 1 | 3 | 2 | 6 | 8 | 5 | 4 | 9 |
| 6 | 5 | 9 | 4 | 1 | 7 | 2 | 8 | 3 |
| 5 | 2 | 6 | 3 | 7 | 4 | 9 | 1 | 8 |
| 1 | 9 | 8 | 6 | 5 | 2 | 7 | 3 | 4 |
| 4 | 3 | 7 | 8 | 9 | 1 | 6 | 2 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-417**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 2 | | 7 | | | 4 | 9 |
| 3 | 6 | | 2 | | | | 1 | |
| | | 4 | | 3 | 1 | | 6 | |
| | 3 | | | | 2 | 7 | | 1 |
| 4 | | | 7 | | | 2 | 3 | |
| 5 | | 7 | | 1 | | 4 | | |
| | 7 | 3 | 4 | | | | 2 | |
| | | 1 | | | 7 | | | 3 |
| 6 | | | | 2 | | 9 | | |